# ইমাশিংগী ঈহৌনা মায় পাকপা হেল্লি - ১

ৱাখল ইহুল
সোরাম ইবোহল লুৱাং



*মালেমদা*খ্বাইদগী হেন্না নকশিন্না নুংশিনবসি মমাগা মচাগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা ঈচেলসিনি। খুদম - তাইবঙ মীওইবা, শা-ঙাশিংগী মমা ওইবীশিংনা মচাশিংগীদমক কয়া ৱাজবগে হায়বসিগী মরমদা/মতাংদা অসুম্না চাংদম্নবা (প্রমান) লৈ। মদুদি মীগীদা মমা ওইবীনা মচাগী হাকন চঙবসি, শানসু মচাগীদমক চারম্বদু তোল্লগা ঙমনি-ঙল্লোই খঙদবমখে ৱাইগদবগী তৌবদু ওইনা শিংথানৈ। অমুকসু য়েংসি লেমলৈ ঙমু/পোরোম মহা থারিঙৈ মতমদা মপিনা মহাশিং (মচাশিং) মফম হোং হোংদুনা পুরগা চৎলি। করিগুম্বা মতমদা মহাশিংনা চৎপা মতুং ইল্লগা নক্ল া/লাপ্তক্লা শেন্নরগা চাদুনা লৈ। মসি খঙবদগী কনাগুম্বা তাইবঙ মীওইনা খোই চোপ্পা মতমদা মচাগী হাকন্দা খোইদু লাক্তুনা উম্মুবদা লেমলৈ মপিদু খোইদা থুদুনা ফানৈ। খোইদুনা লেংবা য়াবা পোৎ-তিন্থোক/ঙারি/মোইদা/অশেম্বা পোৎতু মহাশিংদুগী মরক্তা হেক থাদরুবদা মচাশিংদুদা অকায়বা/ফত্তবা ওইগদ্রা খনবদগী হাকন চংবদগী অফিং-অফাই ওইনা খোইদুদা লাকউবগী ৱানি। নান্থোকপা ঙমদ্রগনা তাইবঙ মীওইবনা খোইদা থুরবা লেমলৈ ঙাদু ফাই। করিগুম্বা খুজিল খুনান্থোক্তগী নান্থোকহৌরগনা মচাশিংদু (মহাশিংদু) মফম হোংলগা পুদুনা চৎখিবা হায়বসি অদুম খঙনবা/উনবা থৌওংমক্তনি। মসিনা তাক্লিবদি মালেমসিদা লৈরিবা মমা ওইবী খুদিংনা মচাগী হাকন চংবদা মশা শিবা ফাওবা নাচুংদনা মথৌ তৌই। ষণবী চাজেনবী/হুই চাজেনবী মখেনা মখোয়গী মপূ ওইবশিং/খঙনবশিং নত্তনা অতৈনা মচাশিংদু নুংশিবদগী পায়নবা তৌরুবদু ফাবিগদ্রা খনবদগী ৱাইগদবগী তান্নে/চিকই-চিক্কে তৌই। অতোপ্পা খুদম অমনা - মীতৈ/মৈতৈগী চৎনবী ঈপান থাবা নুমিৎতা মাইবীনা অঙাং মচাদু খৈন য়াংকোক মথক্তা লৈপাক মতুম অমগা, শেন অচোইবা/সনাগা হাপ্লগা মমাদুদা মাইবীদুনা - নচা পান্ত্রা/সনা পান্ত্রা/লুপা পান্ত্রা হংবদা - অতৈ অমা পামদে, ইচা পামই হায়না পাউখুম্বসিনা তাক্লিবদি - মালেমসিদা মচা হায়বসিদগী হেন্না নুংশিবা/পাম্বা অতৈ পোৎশক অমত্তা লৈতে হায়বসিনি। অমুকসু, য়ূম্বাল্লবা-য়ূম্বাল্লবী মতৈ-মনাও অনীনা মমিৎতা মচা ফংবা/উবা ঙল্লরোইদ্রা হায়না খনবদগী গাইনিগী ডোক্তর কয়া তানবা/লাই কয়াগী মফমদগী মচা/ধারা নিবা তৌনবা কয়া মীওইবগী খুন্নাইদা উনরি/তৌনরি - মচা লিকপা/লৈতবা মতৈ-মনাও কয়ানা। অদুনদি মালেমগী খুন্নাইশিংদা মমা ওইবীশিংনা মচা ওইবা/ওইবীশিংগীদমক অৱাবা কোঙ্গাই মায়রোং য়াই হায়বসি ককপা য়াররোইদবা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফমনি। তঙাইফদবা ফীভমদগী য়াম্না তাঙনা থোকপদা মমা ওইবী খরনা মচাশিংবু হুন্দোকপা/হুন্দোক্লম্লগা ময়ূম পানখিবা য়াওদবা নত্তে। মদু ফাওবদা মানা (মমাদুনা) হুন্দোক্লম্লবা মচাদুগীদমক কনাগুম্বা মীওই-মরী মতাবু ওইরবসু য়োকপীনবা নৎত্রগা য়েংশিনবীনবা লৈরবদি করিগুম্বা মতমদা হান্না য়ূম্বানমিন্নবা নুপাগা মরম অমদগী মুক্লবদগী পামদবা ফীভমদু ওইরম্বসু য়াই। মসিনা মরম ওইরগা মমা ওইবী খুদিংমক্তা মমানা মচাবু নুংশিরম্লোই/মচাগীদমক করিসু তৌবা ঙম্লোই হায়না খনবদি লানগনি হায়জনীংই।

মালেমগী খুন্নাইদা মমা ওইবীশিংনা - শম্না হায়রবদা, নুপীশিংনা লৌবা থৌদাংশিং য়াম্না চাউই। লাইরিক লাইশু হৈরবী/থবক ইনখাং তৌরিবী/ইমুং পুরিবী মমাশিংগী থৌদাং অমুক্কসু হেন্না চাউই। মশা মশাগী ওইনা শিন/থৌ অমা পান্দুনা লৈরিবশিংগী মথক্তা ইমুং মনুংগী তঙাইফদবা থবক ইনখাং; মচাশিংনা নৌরিঙৈদা পীজ-পীথক তৌদুনা চাউনবা য়োক্লবা হোৎনবদা; অনা -অয়েক য়াওরকপদা অহিং মিৎশেং খাঙবা, অয়ূক নুংথিলগী মতমদনা মনাক্তা ফমদুনা ফমশেন্নবা; অতৈ মতমদনা মমা-মচা কেনজদুনা, মমানা ৱা ঙাঙবা-শকপা তম্বীবা, মমানা অঙাং মশাগীদমক কোয়শেন শেন্নবদুনা তৌবিবগী নুংঙাইবা ফাওজবা - অয়াম্বা মরমশিং পিক্লিঙৈদগী হৌনা মচা অয়াম্বনা মমা ওইবীশিংদগী তম্বনা অয়াম্বনি।

মালেমদা লৈরিবা লৈপাকশিংগী কৈথেলশিংদা নুপীঙাক্তনা য়াম্না মশক থোক্লা ফম্বা কৈথেলদি মণিপুরগী ইমাশিংনা ফম্বা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসিখক্তনি হায়বা য়াই। মফম অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদগী লাকপী ইমাশিংনা মখোয় মখোয়না কোয়না চৎতুনা থিরুরগা পুরকপা পোৎলমশিং কৈথেলসিদা য়োল্লবনি। মসিনা কনাগুম্বশিংগী ইমুং কয়া পুনদুনা মচা-মশু য়োক থাকপা, মহে-মশীন তমহনবা কয়া য়াওনরিবনি। অদুনা ষ্টেটসিগী শেন্মীৎলোন্দা চাউনা মতেং পাংলিবনি। ইমাশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অমদি মালেমগী লৈপাকশিংদা অমত্তা ঙাইরবা ফিন্দা কনবগীদমক্তসু মালেমগী মীওই বিল্লিয়ন লাক্ষ কয়াগী মমাঙদা চাউথোকচনীংঙাইনি। মসিনা য়াম্না চুম্বা ৱাখল্লোন্দা য়েংবা তারবদি ষ্টেটসিগী অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরিবনি। ষ্টেটসিগী /লৈবাকসিগী চিরবা তানফম কয়াদা ইরমদম কন্নবগী মতাংদসু অচৌবা, কাউঙমলরোইদবা ফিদা কন্দুনা লাক্লিবনি। মসিগী মতাংদা মালেমদা শিংথানীংঙাই ওইবা নুপীশিংতনা মরুওইনা, মতম অমদা মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নরম্বা বৃটিশ লৈঙাক, মীরম মচানা ইরমদমদা চঙশিল্লক্লগা ইশানা হান্না লৈজরম্বা ইনিংতম্বা ফাওবা মুনবিখ্রগা মীতোপ্ন া তৌনীংবা মওংদা লৈঙাক চুপ্লি ফাওবা পায়শিল্লকপদা কা হেনবা থৌওং কয়া চত্থরক্তুনা ইরমদমগী নুপাশিং-মতম অদুগী ইমা ইবেল কয়াগী মপূরোইবশিং, মচাশিং-মশুশিংবু মখল-মখাগী তাথি-তাওইনা তৌরকপা, খূৎতা লৈঙাক্লবা পায়রম্বা নোংমৈশিং লৌখৎলগা পায়হন দবা; মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বগী মায়োক্তা চহী মঙা শুফাৎত্রিবা অঙাং অমবু নিংথৌ ওইনা মমিংতগী ওইহনখিবা; খূৎশুমল/অৱামল পীদনা পোৎ হোলহনবা; বৃটিশ ওফিসরশিংনা শীজিন্ননবা পোৎ পুহনবা; মাও-ইম্ফাল লম্বী শেম্বদা মীয়াম্বু শিন্মী ওইনা শীজিন্নবা; মনীং তমজরম্বা মণিপুরবু অদুঙৈ কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো-মণিপুরী লান্দা মায়থীবা নংখিবদগী বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক ওইহল্লবা মতুংদা পীফম থোক্তবা/কাফম থোক্তবা লোইপোৎ ওইনা লুপা ৫০,০০০ বৃটিশ গভর্ণমেন্টতা মণিপুরবু থিহনবা; চীংগী য়ূমশিংগী ওইনা লুপা ৩ অদুগা তম্পাক্কী য়ূমশিংগী ওইনা লুপা ২ টেক্স ওইনা খোমগৎপা; মাও-ইম্ফাল লম্বী শেম্বদা অচংবা শেনফমগী তঙ্খাই অমা মণিপুরনা পুথোক্কদবনি হায়না লাউথোকপা; কুমজা ১৮৯১ সিমক্তদা মণিপুরদা ফ্রী ত্রেদ পোলিসি হৌদোক্লগা বৃটিশনা মণিপুরদগী চেঙ মোন কয়া মপান্দা থাদোকপগী অয়াবা পীবা- হায়রিবা মীয়াম্না পেন্নীংঙাই ওইদবা মরমশিংসিদগী মণিপুরগী মীয়ামদা অশাওবা ওইহনবা।

অসুম্না পেন্নদবগী মৈচাক লৈরিঙৈদা কুমজা ১৯০৪গী জুলাই ৬তা ইখঙ খঙহৌদনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈবা কৈথেল ফম্ফম ৩০০ রোম অমসুং শঙ ২৮ মৈ চাকখিবগী মতুং থাসিমক্কী তাং ১৬কী অহিং নোংয়াইদা কেপ্তেন নতাল অমসুং দুল্লোপকী শঙলেনসু মৈ থাখিবগী থৌদোক থোকখি। মসিগীদমক মৈতৈ নুপীশিং কবো তম্পাক্তগী চিংশু উ য়াল্লুরগা মফমসিদা পুরক্লগা মৈ থাখিবা শঙলেন্দু শাগদবনি হায়না বৃটিশকী অকনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা মসি ইন্দবা তারবদি ময়োল লমদা লান্মী থমজিনবদা মদুগী অচংবা শেনফম পূন্নমক মীয়াম্না পুগদবনি হায়না খঙহনখি। মদুগী মায়োক্তা ইমা-ইবেল নুপী লিশীং কয়া চোংথোরক্তুনা নুপীগী ঈহৌ হৌরকপদগী নুমিৎ কয়ানিরোম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল থোঙ লোনখি। মসিবু অহানবা নুপী লান হায়না খঙনখি।

অনীশুবা নুপী লাননা দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯দা থোকখিবগী মরুওইবা মরমদি বৃটিশকী ফ্রী ত্রেদ পোলিসিগী মখাদা মণিপুরদগী চেঙ মপান লমদা লেপ্তুনা পুথোকপা য়াহনবদগী বৃটিশ অমসুং মারৱারিশিংগা মান্নরগা কা হেন্না চেঙ থাদোকখিবদগী পোইনু থাদা ফাওবা খূৎশেমগী চাক তাংবা থোক্লকপদগী মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা ওইহনখি। মদুদগী খোইশাওনরবা ইমা-ইবেলশিংনা কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২গী নুমিদাং পুং ৬ তাবদা ময়ূম ময়ূমদা হন্নদনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পুল্লগা মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং নিংথৌদা ৱাকৎনবা হোৎনবদা মতমদুদা নিংথৌ মপান লমদা লৈখিবনা, মারৱারিশিংগী চেঙ তক্লবা মিলশিংগী গোদাউন্দা চেঙ তক্লবা ফৌশিং পৈশিন্দুনা থল্লগা, চেঙ তক্লগা মপান্দা থাদোকপা থিংনবগী অচৌবা ঈহৌ হৌরকপদগী ইমা ইবেলশিংগী মরক্তা মীশি-মীনা য়াওরকপা, ফাজিল্লগা জেলদা থমজিনবনচিংবা কয়াদগী ঙসি ফাওবা চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা ষ্টেটকী থাক্তা য়াম্না চাউবা, নীংশিংনীংঙাই ওইরবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোক্লি। দিসেম্বর ১২, ১৯৩৯দা থোকখিবা অনীশুবা নুপী লানবু মণিপুরগী পুৱারীদা নুপী লান হায়না চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবসিগী মপূং ফাবা ৱাহন্থোকসি অচুম্বা মায়োন্দা পুনবা/চৎনবা মচেৎ মকায় ওইদনা ইমা ইবেলশিংনা পুনবিবগী মথৌ য়াম্না তাত্রা হায়না খঞ্জে। মরমদি, মতম মতমগী পাল্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্লা মখোয়গী মখূৎ চাবি ওইনবা ইমা-ইবেলশিংগী মরক্তগী মচিন তোংবা খরবু মোইথেম তৌরগা ফাজিনখ্রবদি মমাঙঙৈদা ইমা-ইবেলশিংগী অশেংবা মপাঙ্গল কনবা, মায় পাকখিবা ঈহৌগী খোঙজংদু ওইরক্তবসু য়াই। থমজনীংলিবা ৱাখল্লোন্দি লৈপাক অমদি খুন্নাই কন্নবা হোৎনবদা ইমা-ইবেলশিংনা লৌবিরিবা থৌদাং - পীরিবা ঈহৌগী মতিক ময়াই/মপাঙ্গল কয়াম কনখিবগে হায়বসি কুমজা ১৯০৪ অমসুং ১৯৩৯দা মতম অদুগী বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা ময়েক শেংনা খঙখ্রবনি। মালেমদা অদুক চাওখৎনা ফাওরম্বা বৃটিশনা ফাওবা মতমদুগী ইমা-ইবেলশিংগী মতিক-ময়াই অদুক ফজনা খঙখ্রগা হায়রিবী লাই ওইখ্রবী ইমা-ইবেলশিংগী মচা-মশু, মরোই মনাও ওইদুনা হৌজিক মণিপুরগী খুন্নাইদা লৈরিবীশিংনা মতিক ময়াইদা খঙহন হন্থফম থোক্লোই হায়না থমজগে। 'অপূনবনা পাঙ্গলনি' হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনবা ৱাফমনি। অদুবু অমুকসু ৱাজরিবদি - অপূনবগী পাঙ্গলসি থুগাইরগা/থুগাইনবা করিগুম্বা মরম/পাম্বে অমা থিজিন্নরগা মপানগী থৌইনশিন্দগী, মশাগী ওইজবা থিজনীংবা কয়ানা মখোয়বু তাকপী-তম্বীরকপশিংদু মীতোপকী অনীংবা অপাম্বা মায়কৈরোমদা পুখিনবা হোৎনরক্লবদি ইমাশিংগী অচুম্বা অমদি অকনবা ঈহৌশিংনা শোয়দনা মায়থীবা পীবা ঙমগদবনা ইমাশিংগী ঈহৌ মায় পাকপা ওইগনি হায়না মতম চূপ্পগী ওইনা থাজবা থমজরি। ইমাশিংনা য়াইফরে।

# সেন্টরনা অৱাং নোংপোক্তা থল্লিবা মিৎয়েং

এম থম্বৌ

মলেমদা অচৌবনা মচাবু য়োৎশিনবা অসি মমাঙগী অরিবা নূংগী মতমদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিগী কম্প্যুটরগী মতম অসিদা লৌশিংগী মপান নাইদ্রবা সমুদ্রগী ঈপাকমক্তা চাংদম্নবা য়ারবা অসিদা অমনা অমবু ইকায়খুম্নবা, ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমবু ইজৎ লৈনা লৌনবা, লাইনীং অমনা লাইনীং অমবু লুম্না লৌনবা, চৎনিংবা লাইনীং চৎপা য়াবা মতম ওইরক্লবনি। মরমদি অফাওবা মীওই কয়ানা মলেমদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা চৎন কাঙলোন কয়া শেম্বীদুনা মদুবু মালেমদা মীপুম তিংনা খঙহন্নবা হোৎনরি। অসুম্না মীওইবনা কাংলূপ কাংলূপ নাইনা পুনসিন্দুনা কাংলূপকী ওইবা তোঙান তোঙানবা লাইনীংদা লুপ্নরকই। অদুগা লোয়ননা লাইনীংগী ওইবা চৎন কাংলোন হান্না চৎনবা হৌরকই। লাইনীংগী ওইবা পাউতাক্লা মরু ওইনা লৌনরকই। অতোপ্পা লাইনীং অমগা অতোপ্পা অমগা চাংদম্নবা হৌরকই। মমৈদা লাইনীংগী লান লাকপা হৌরকই। অদুবু লাইনীং পূম্নমক্কী চৎন কাঙলোন অমদি পাউতাক মান্নে হায়বসিদি লাল্লোই। কুমজা ১৯৪৭ নীং তমদ্রিঙৈদগী হৌনা ইন্দিয়া-পাকিস্তান খাইদোক্লবা হোৎনরকপদা গান্ধিনা হিন্দু-মুস্লিম ভাই ভাই হায়বা পুনশিনবগী ৱাখল্লোন্দা কন্না লেপখি। মদুদা হিন্দু-মুস্লিম কয়া হাৎনরকখি। হিন্দুখক্তগী ওইবা লৈপাক শেম্বা পাম্বা কাঙবুগী মায়কৈদা হিন্দুষ্টান-পাকিস্তান খায়দোকখি অমসুং মদুগী মহয়না মথুরাম গোসেনা কুমজা ১৯৪৮দা গান্ধিবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। অদুবু হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী এম পি অমনা মথুরাম গোসেগী নিংশিং খুভম খিন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা হৌদোরকখি । মদুদা লৈপাক ৱাথোক ওইনখি। অসুম্না অচৌবা কাঙলুপগী লাইনীংনা অপিকপা কাঙবুগী লাইনীংবু য়োৎশিন্নবা হোৎনরকই। হন্দক্কী সী এ বী অসি মদুগী মমি অমা চাউনা তাই। অপুনবা ইন্দিয়া শেম্লবদা শক-চু খেন্নবা, লোন খেন্নবা ফুরুপ কয়া পুন্না হিংমিন্নবা য়াবা লৈখল লৈশক শুনা হৌবা লৈকোনগুম শাগৎনবা ডা. বি আর অম্বেকরনা লুচিংবা কাঙলূপ ফুরুপ কয়া লৈমিন্নরবসু মশাগী লাইনীং চৎচবা য়াবা অর্টিকল ২৫(১)(২) অসিদা সেকুল্ল্যলরিজম হায়বা অমা থল্লমখি।

হন্দক্কী সী এ বিগী মতাংদা লাক্লিবনা হিন্দু লোনা হিন্দুগী দিফিনিসন পীবদা হিন্দু, মশক তাকপদা বুধিষ্ট, শিখ, জেন, পার্সি, হিন্দু অসি অপুনবা হিন্দু ওইনা মশক তাকই। খৃষ্টান য়াওরক্লিবা অসিদি অরানবা কুপশিনবা য়ানবা য়াওহনবনি হায়বসি অরানবা মীনম্বা য়াওদে। হন্দক্কী বিল অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেট কয়ানা য়ানীংদবা উৎলকপা, ঈরাং কয়া হৌরকপা অসি য়াম্না মুন্না খন্থবা চংই। তশেংনা লৈঙাক পায়বা কাঙবুনদি মসি পোলিটিকেল পার্টি অমনা ইনশিনবনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈরিবনি। অদুবু তশেংনা মদু মশা শোক্লক্কদবা লম্বীনি হায়বদু খঙজদবগীনি। হৌনরুবা নাইদনা মীওই খুদিংদা ফাওরকপা ইহুল অদুনি। মসি লৈঙাক্লা মরান শিবা অচুম্বা নৎতে। চহী ৪০/৫০ গী মতুংদা লাক্কদবা লম্বী শাংনা অমদি শান্না উবগী এরিয়া অমখকনি। কুমজা ২০০১গী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতম অদুগী বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা দিক্লারেসন অমা নগাগা তৌনবা মতমদা ঙমখৈ কক্তবা হায়বা ক্লোজ অমা য়াওবদগী মণিপুর মৈ চাকখি, মীওই কয়া পুন্সি পিখম্নখি। অসিগুম্বা অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্বু মৈনুংদা হেক হেক লংশিনবগী থৌওং অসিনা নোংমগী শূরগা চারা তাঞ্জরিবা কয়দা অচৌবা অমাঙবা অমা ওইহনবা অমদি তুংগী মণিপুর অমা লৈরম্মী হায়বা ৱারীদা থেংনবা নৎতনা মাঙখিনবা শিনবা অসি মীয়াম্না করম্না খাঙদুনা লৈগনি। হৌজিক লৈঙাক্লা মীয়ামগী ইহুন ফজনা খঙফম থোকই।

মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা খুদিংমক লৈঙাক মপুনা খঙবীগদবা ওই। অদু নৎতনা মীনা ইনশিনবনি হায়বা মীয়াম্বু অপংবা শিবনা মণিপুর মৈ হৌদুনা তাঙ্গোয় ওনবা করিসু নত্তে। মসিসু ঙসিগী ষ্টেট লৈঙাক্লা খঙবীবা কান্নগনি। পোলিটিকেল পার্টিদগীসু ইমা লৈপাক ইরমদম কনবনা হেন্না মরুনি খল্লবদি মীয়াম্না ঈংনা চিক্লা লৈবা ঙমগনি অদু নৎতনা ফম্না অমদি পার্টিনা হেন্না লুম্না লৌরবা মীয়াম্না নোংমদি অচৌবা পারা অমা তম্বীরক্কনি। মসি পূম্নমক্কী মখা তারকপদা লাক্লিবা ৱাফমদি তশেংনা লোক সভানা পাস তৌখিবা সী এ বি অসিদি কাঙলূপ অমদা মান্নবা লাইনীং অমা থম্নবা অরোনবা এজেন্দা অমনি হায়বসি ককপা শুকয়া য়ারোই হায়বা ঐখোয় খুদিংনা খঙফম থোকই। সী এ বিগী ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লমদাই মতম অদুগী কম্মিটি অমনা ইষ্টদি তৌবদা অৱাং নোংপোক শিলোং, অসামগী বারাক তম্পাক্ল চিংবা কয়াদা লাকপদা মফমদুগী লুচিংবা কয়ানা কন্না রিয়েক্ট তৌখিবনি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্তি খঙখিদবনি। অদুবু নমদনা জন্যুৱারী ৮, ২০১৯দা পাস তৌখিবনি। অদুনদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক মরু ওইনা মণিপুরবু শক-চু খেন্নবা, লোন্দা খেন্না, চিঙ্খাক খেন্নবা ময়ামসিনা থাওইবীদে অমদি লুম্না লৌবীদে হায়বসি য়াম্নমক ময়েক শেংলবনি। ইন্দিয়াগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি লাইনীংগী মিংদা ইন্দিয়া অপুনবা অসি বি জে পি নৎতবা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগী খোঙদাফম থমদবা অদুগী মথক হিন্দুগী ওইবা লৈপাক অমা ওন্থোকপনি। ইন্দিয়াগী অনৌবা ঙসিগী পি এমনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা য়াওরিবা অর্টিকল ২৫ (১)(২) গী সেক্যুলরিজম ভাইওলেট তৌরে হায়বদা অরানবা য়াওদে।

ঙসিগী ইহৌ অসি ৱাখল তাদনা পাঙহৌ হৌবা নত্তে। মসিদা লৈঙাক পায়বা কয়াগী মচিন্দগী বিল অসি চেপ্টর কয়া নৈনবা ৱাৎলি হায়বা ৱাফম কয়া থল্লকপা য়াম্না লাইবক থীবনি। আইনগী মরমদা খঙ হৈরবা কন্সটিট্যুসনবু কুপ্ন া নৈনবা স্কোলর কয়ানা মনুং হূৎনা নৈনবদা ময়েক শেংনা থম্বীখ্রবনি। তশেংনা মন্ত্রি অমদি এম এল এ অসিদগীদি খঙ হৈরবা স্কোলর কয়ানা নাকন অমদা সমুদ্রগা খোংবানগা পাংখক্লি। আইন খঙই হায়দুনা মীখল থেংনবা য়াবা নত্তে। মীখল মায় পাক্লিবা কয়া অসিদি আইন খঙবা ঙাক্ত ওইদে। খোঙজং অসিদি ইশা কঞ্জনবা হৌবা ঈহৌনি হায়বা লৈঙাক্লা খঙবা চুমগনি। মসিগী তোঙানবা সেফগার্দ লৈতে, মীয়ামগী ইহৌনা ইশা কঞ্জনবা হোৎনফম থোকই। ফোরেন পাসপোর্ট এক্ট ১৯২০, ফোরেন ইলিগেল মাইগ্রেন্ট লো ১৯৫০দা ফোরেন্নর খুদিং ইলিগেল মাইগ্রেন্টনি।

অদুবু ঙসিগী সী এ বি ২০১৬ অসিদি লিগেল্লি মাইগ্রেন্টনি হায়না লৌরগদবা ওইবনা খেন্নবা য়াম্না লৈ। ঈহৌ অসি এন্টি নেসনল ওইবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লাকহনবনি। মরমদি ইন্দিয়া নীং তম্বদা মণিপুর কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা তিনখ্রবনি। মদুদা য়ু এন ওগী চার্টর এক্ট ২(১) দা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অনীমক চপ মান্নবা খোঙদাফম ওইগদবনি হায়বা লৈখ্রবনি। অদুনা ইন্দিয়াগী মনুংদা লাক্তুনা চহী ১৬ শাংনা লৈরম্বা অদু ২০১৬কী সী এ বি অসিনা অমুক চহী তরুক্তা ককথখ্রে হায়বা ক্লোজ য়াওরি। চহী ৬ ইন্দিয়াদা লৈবা তারবদি ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইরবনিনা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমগী রাইটস অপুম্বা লোইনা ফংলগনি । ভোট পীবা য়াবা, লমগী মপু ওইবা য়াবা মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্তুনা সী এম, পি এম ফাওবা ওইরকপা য়াবগী রাইটস ফংলগনি। মসিদা চংফম নুংঙাইবা অৱাং নোংপোক মরু ওইনা মণিপুরগুম্বা মীশিং য়ামজদবা অসিদদি য়েলহৌমীগী কাংখুন মুৎখিবদি শোইদ্রবা ৱাফম ওইগনি। করিগুম্বা জামু গুম্বা ষ্টেট খরদদি ষ্টেটগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তৌনিংবা তৌবা ঙমহন্দবা অসি ষ্টেট লৈঙাক্কী অচেৎপা ফিরেপনি লৌনৈ। মণিপুরগুম্বা ষ্টেটতদি ইন্দিয়াগী লুচিংবা কয়াগী মাষ্টর ব্রেন্দা চৎলি। অদুনা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অসি য়াম্না শোন্না লৈ হায়বা অসিসু লানদে। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনবদা মনাই ওইনা তিনখিবা অমদি মখোয়গী মখা পোন্না হিংগদবনি হায়বা লৈখিদে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্না ঐখোয়বু ঙাক শেনবদা য়াওরিবনি। মণিপুরগুম্বা মশাগী শেন্থোক লৈজদবা লমদি সেন্টরদগী নিরগা হিংবা ওইবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখা পোনবা অমদি মখোয়গী য়াকা য়েংবা অসিনা ইন্দিয়ানা তৌনিংবা তৌবা ঙম্লিবনি। অদুনা ঐখোয় খুকউ খরা শেনবা, ঐখোয়গী মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা য়াম্না মরু ওইবা ফিরেপ অমদি লৌবনা অচুম্বা ওইগনি অমসুং ইশানা ইশাবু কঞ্জবা ঙগনি। অদুবু ঙসিগী ঐখোয়গী লুচিংবা কয়াদি সেন্টরগী রোবোট ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রিমোট মেৎতুনা শান্নরি।

মরোল থোকপা লাই

